ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, দিসেম্বর ২০, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ২৬২শুবা মশীং

নুপা-নুপীগী মরক্তা চাউনা খেন্নরকপা

নুপীশিংগী পূন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা

ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী জেন্দর গেপ রিপোর্টতা ইন্দিয়াগী রেঙ্ক ১১২শুবদা হন্থরক্লে। মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ানা ১০৮শুবা মফম কনবা ঙম্লম্বনি। হন্দক চহীগী ওইনা ফোঙলকপা রিপোর্টতা আইসলেন্দনা খ্বাইদগী মকোক ইথং-থংনা লৈরে। য়েমেননা ১৫৩ শুবদা লৈদুনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরে। পাকিস্তাননা ১৫১শুবা অমসুং ইরাকনা ১৫২শুবদা লৈরি। নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্মী হায়না লৌনরিবা লৈবাকশিং, মরু ওনা বাংলাদেশনা ৫০শুবা, ইন্দোনেসিয়ানা ৮৫শুবা, ব্রাজিলনা ৯২শুবা, নেপালনা ১০১শুবা, শ্রিলঙ্কানা ১০২শুবা অমসুং চাইনানা ১০৬শুবদা লৈরগা 'বেতি বচাও বেতি পরহাও' নচিংবা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা ইন্দিয়ানা জেন্দর গেপ রিপোর্টতা মমাঙ চহীদগী মফম মরি হন্থরক্তুনা ১১২শুবদা লৈরিবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী রিপোর্টনা হায়, মালেমগী ওইনা নুপা-নুপী থাক মান্নহন্দুনা জেন্দর গেপ লৈহন্দনবা হোৎনবদা চাউরাক্লা চহী ৯৯.৫ রোম চঙলবা য়াই। মায়কৈ কয়াদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু হেল্থ, এদ্যুকেসন, ৱর্ক অমদি পোলিটিক্সতা নুপা-নুপীগী মরক্তা অচৌবা গেপ অমা লৈরি। জেনেভাদা লৈবা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমনা হায়, চহী অসিগী ওইনা নুপী কয়া পোলিটিক্সতা খোঙদারকপদগী জেন্দর গেপতা ফীভম খরা ফগৎলক্লবসু মালেমদা নুপা-নুপী থাক মান্নহন্নবা হোৎনবদা চাওরাক্লা চহী ৯৫ রোম চঙখিগনি। মালেমদা হৌজিক নুপীনা পার্লিয়ামেন্টকী লৱর হাউসকী সিট চাদা ২৫.২ অমসুং মিনিষ্টরগী ফমদা চাদা ২১.২ পায়রি। মমাঙ চহীদদি পার্লিয়ামেন্টকী লৱর হাউসকী সিট চাদা ২৪.১ অমসুং মিনিষ্টরগী ফম চাদা ১৯ পায়খিবনি। ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমনা কুমজা ২০১৬তা অহানবা ওইনা জেন্দর গেপ রিপোর্ট ফোঙলকখিবা মতমদা ইন্দিয়ানা ৯৮শুবা মফম কনবা ঙমখি। মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা হীরম খরদা ফীভম ফগৎলক্লবসু হীরম খরদা কা-হেন্না ফীভম শোকচিল্লকখি। পোলিটিকেল ইম্পাৱরমেন্টতা ইন্দিয়াগী ফীভম ফগৎলক্তুনা ১৮শুবা মফম কনবা ঙম্লবসু হেল্থ এন্দ সর্ভাইভেলগী মতাংদদি ১৫০শুবদা হন্থরকখি। ইকনমিক পার্টিসিপেসন অমসুং ওপোর্চুনিটিদনা ১৪৯শুবদা অমসুং মহৈ-মশিন মতীক চানা হৈবগী মতাংদনা ১১২শুবদা হন্থরকখি। নুপীশিংগী ইকনমিক ওপোর্চুনিটিগী মতাংদা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমনা হায়, ইন্দিয়াগী চাদা ৩৫.৪, পাকিস্তানগী চাদা ৩২.৭, য়েমেনগী চাদা ২৭.৩, সিরিয়াগী চাদা ২৪.৯ অমসুং ইরাক্কী চাদা ২২.৭ ওইদুনা নুপীশিংগী ইকনমিক ওপোর্চুনিটিগী চাং নেম্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা কম্পনিশিংগী বোর্দতা নুপী য়াওবগী চাং চাদা ১৩.৮ অমসুং চাইনাগীনা চাদা ৯.৭ ওইরি। হকশেল অমসুং কুইনা পূন্সিবগী মতাংদা ইন্দিয়া, পাকিস্তান, ভিয়েটনাম অমসুং চাইনাগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা নুপীগা নুপাগা চপ মান্নবা মওংদা হকশেল অমদি অনা-লায়েংগী খূদোংচাবা ফংদ্রি। সেক্স রেসিওগী ফীভমসু খুমাঙ চাওশিন্না ফগৎহনবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়াদা অঙাং নুপামচা ১০০ পোকপদা নুপীমচা ৯১ পোক্লি। পাকিস্তানদনা নুপামচা ১০০ পোকপদা নুপীমচা ৯২ পোক্লি। ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০০৬তগী হৌনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৫৩গী ফীভম য়েংশিন্দুনা লাকপদা ইন্দিয়াগী ইকনমিক জেন্দর গেপ ফীভম শোকচিল্লকপা থেংনরে। ইন্দিয়াগী লেবর মার্কেটতা নুপা চাদা ৮২ থবক তৌরবসু নুপীগী ওইনদি শরুক ৫ থোকপগী শরুক ১ খক হীরম অসিদা থবক তৌবা তেংনরি। শেন্থোক্কী মতাংদা য়েংনরবসু নুপানা তাল্লিবা শেনফম অদুগী শরুক মঙা থোকপগী অমখক নুপীনা তানবা ঙল্লি। নুপী চাদা ১৪ খল্লা লিদরশিপকী থৌদাং লৌরি অমসুং চাদা ৩০ খল্লা প্রোফেসনল অমদি টেক্নিকেল ৱর্কর ওইরি। মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী রিপোর্টনা হায়, নুপা চাদা ৮২ ইবা-পাবা ঙম্লবসু নুপী চাদা ২খক ইবা-পাবা ঙম্লি। হৌখিবা চহী ৫০গী মনুংদা চহী ২০ লোম নুপী অমনা লৈবাক্কী লুচিংবী ওইরম্বা মরম্না পোলিটিকেল ইম্পাৱরমেন্ট সব-ইন্দেক্সতা ইন্দিয়াগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈরি। অদুবু নুপীনা পোলিটিক্সতা শরুক য়াবগী চাং নেম্না লৈরি। পার্লিয়ামেন্টকী অপূনবা মেম্বর মশীংগী চাদা ১৪.৪ খক্তমক নুপীনি। কেবিনেটকীনা চাদা ২৩ খক্লি। নুপীগী থাক ৱাংনা থম্বগী মতাংদা নোর্দিক কন্ট্রিশিংনা মাঙজিল থারি। হীরম অসিদা মকোক-মথং তারিবা লৈবাকশিংদি নোর্ৱে, ফিনলেন্দ, স্বিদেন, নিকারাগুৱা, ন্যু জিলেন্দ, আইরলেন্দ, স্পেন, রুৱান্দা অমসুং জর্মনিনি। হীরম খূদিংমক্তা নুপীশিংগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা নুপীগী থাক ৱাংখৎহল্লবা মতমদা নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং চাওখৎপা খুন্নাই ওইহনবা ঙমগনি হায়না পল্লদুনা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী ইগজেক্যুটিভ চ্যেরমেন ক্লোজ স্কৱারনা হায়খি, মথং থাদা স্বিটজরলেন্দগী দেভোসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী এন্যুয়ল মীটিংদা জেন্দর ইক্বেলিটিগী ৱাফম মপূং ওইনা খন্নগনি। কুমজা ২০৩০ ফাওবদা নুপীশিংনা হীরম খূদিংমক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌবগী চাং শরুক অনী হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মিলেনিয়ম দিভলপমেন্ট গোলগী শরুক অমা ওইনা জেন্দর ইক্বেলিটি অমদি ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্টকা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মালেমগী মফম অয়াম্বদা নুপীগী থাক হন্থনা লৈরি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ভাইয়লেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ গর্লস (ভি এ দল্লিয়ু জি)গী মতাংদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, মশাগী চহী ১৫দগীনা ৪৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী ৫ খূদিংগী মনুংদা নুপী অমমম্দি ফিজিকেল নৎত্রগা সেক্স্যুয়ল ভাইয়লেন্সকী চৈথেং ফংলে। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মালেমগী লৈবাক ৪৯দা নুপীশিংবু দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সতগী ঙাকপী-শেনবীনবা লো চৎনহনবা ঙমদ্রি হায়রিবসিনি। লৈবাক ১৮দা মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবীবু মীমাঙ থোক্লা থবক তৌহন্দবদা অথিংবা পীনবা লো চৎনদ্রি। লৈবাক ৩৯দনা মচানুপা অমসুং মচানুপীগী মরক্তা ইনহেরিটেন্সকী রাইট চপ মান্ননা পীদ্রি। ইন্দিয়াদসু নুপা-নুপী থাক মান্নরে হায়না লৌবা য়াদ্রি। ইমুং-মনুংদগী হৌরগা খুন্নাই অমদি লৈবাক্কী থাক্তা নুপীশিংবু হীরম খূদিংমক্তা নমথবগী মওং অমা উবা ফংলি। লৈঙাক্নসু মীয়াম্নসু হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদ্রিবমখৈদি খুন্নাই অসি চাওখৎহনবা ঙমগনি নীংদে।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুরদা আই এল পি চৎনরকপা য়াম্না নুংঙাই। মতম কুইনদগী তান্দুনা লাকপা পোৎ অমা থাজদনা ফংলকপনি। অদুবু খন্থনীংঙাই ওইরিবদি থাজবা থম্লুদ্রবা পোৎ অমা ইখঙ খঙহৌদনা থুংলবা হায়বসিনি। মীয়াম্না মীপাইনরিবদি, লৈখোমদা কুমথহন্নবগীদমক মীয়ামদা পীজরিরা হায়বদুনি। সী এ বি চৎনহনবা য়ানবগীদমক আই এল পি লান্থোরকপনি হায়বসিনি। মসিদা আই এল পিবু লূম্না লৌদুনা হরাওফম খঙদবা অমা লৈরি। মরুওইনা আই এল পি লিশীং-লিশীং চৎনরবসু আই এল পিনা সী এ এবু কদায় ফাওবা স্ক্রেপ তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিনি। লৈঙাক্লা মীকূপ নাহুম শিংবিদ্রবা, পুলিস দিপার্টমেন্টনা থম্মোয় শেংবীদ্রবা মদুগী ৱাহন্থোক লৈরোই। ইশাগী ইঙ্খোল অকোয়বদা শম্বল নিংথিনা খাবীদ্রবদি শা-ষণ, হুই-হৌদোং চংবা হৌনশানি। ইশাগী ইঙ্খোল ঙাক শেনবা হায়বসি লৈকায়নদি তৌবীরোই, ইশাখক্তনা তৌজগদবনি। মসিদা ইঙ্খোলগী মপু ওইবিরিবা লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়জনীংই। য়াম্না পূক্নিং চংনা অকোয়বা খাজিনবীবা লোয়ননা ইশাগী গেট নিংথিনা শেন্নবীবা মথৌ তারি।

সী এ এ হায়বসি মীয়াম্না চাউরাক্লা খঙই, চঙলক্লিবা মী অমবু সিটিজনশিপ পীরগা লৈহনবা য়াবগী বিলনি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীখ্রবা, এক্ট ওন্দুনা ইন্দিয়া পূম্বদা চৎনখ্রবা। মসিনা লৈবাক মীয়ামদা কমপ্লিকেসন অমদি ওইরি।

অদোমগী - মোইরাংথেম মোহেন্দ্র, খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১০

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবসি 'মর্জর এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী চৎনবা হৌখ্রবনি। য়ান-চে অদু অরোইবা মনীংতম্বা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা খূৎয়েক পীখিবনি।

(ক) ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা খূৎয়েক পীখিবা নুমিৎতু তারিখ কয়াদনো?

(খ) 'মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু পূন্না আর্টিকল কয়া য়াওবগে?

২। "ঐহাক্লা কুমজা চুপ্পা থিরকপা মনীংতম্বা হায়দুদি/মালংবা নহাক্কী মপোক ওইরম্লে।" পরেং অনী অসি অইবী অমগী য়াৱানি। অইবী অদুনা 'হেল্লোই হেল্লোই মী হেল্লোই' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "মতমদুদা হে চান্নথোইরবা নঙনা/পুশিনবিগদ্রা নঙগী কাদা/অহিংগী তাংলৌদা/তূমখুন হুল্লমদাই।" পরেং মরি অসিনা 'নঙবুনে ইনেমচা' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "নঙসু চৎলু, ঐসু চৎকে/থম্মোয়গী মীহুনদি চোংই/খোঙথাং কনখৎসি পন্থুং য়ৌনবা/লৈগুমসি লৈশিন্দুনা হিদেন অমদা।" পরেং মরিসিনা অইবী অমনা মাগী থম্মোয়দা পাউমেঞ্জবনি 'চোয়রোলনি চোয়রোল' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। "শুমাং খুদিং মেরা ৱা/থাওমৈ পরেং দিৱালী' পরেং অনীসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা চা পান্থী থানবা চুনবা পোলিসি শেমহন্নীংই

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মালেমগী চাগী নুমিৎ, ইন্টরনেসনল টি দে হায়বসি চহী খুদিংগী দিসেম্বর ১৫দা পাঙথোক্লি। থৌরম অসি কুমজা ২০০৫দগী হৌনা পাঙথোক্লকপনি। মালেমগী চা পুথোকপা লৈবাকশিং পূনশিন্নদুনা চা পান্থী থাবদা, চা পুথোকপদা, চা পান্থী থাবগী, হেকপগী, চা য়োনবগী, চাগী মমল অসিনচিংবশিং অসিগী মতাংদা থেংনরিবা খুদোং চাদবা ফীভম কয়া কোকহনবা ঙম্নবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসিদা মালেমগী চা পুথোক্লিবা লৈবাক কয়া পূনশিন্দুনা করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা কোক চুংশিন্নরি। মালেমগী চা পান্থী থাবা অমদি চা য়োনবদা মকোক থোংলিবশিং অদুদি চাইনা, ইন্দিয়া, শ্রী লঙ্কা, নেপাল, কেনিয়া, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, তাঞ্জানিয়া অসিনচিংবশিং অসিনি। চাইনানা মকোক থংবদা লৈরে অদুগা ইন্দিয়ানা অনীশুবদা লৈরে হায়রিবসি থক্লবা চা মনা পুথোকপদনি। কুমজা ২০০৫দা ইহান হান্না ইন্দিয়াদা ইন্টরনেসনল টি দে পাঙথোকখি। অনীশুবদনা শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোকখি। মসি য়াম্না মরুওইবা মালেমগী ওইনা লেপ্পরবা নুমিৎ অসি ওইননবা ইন্দিয়াগী চাগী মরুওইবা কম্পেনিগী মীওইশিংনা থৌদাং লৌখি।

ত্রেদ য়ুনিয়নশিংগা খূৎশম্নদুনা মালেমগী থাক্তা চা পুথোকপা হেনগৎনবা গ্লোবেল টি কনফরেন্স ফাওবা পাঙথোকখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৫দা ইন্টরনেসনল টি দে অসি খরগা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মখাদা পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে।

মালেমগী চা পান্থী থাবগী মেপতা মণিপুরসু য়াওখ্রবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়াওদবগুম্লে। হান্নগী মেপতা য়াওরম্বা হায়বদুনি। অদুগা অনৌবা য়েকপা মেপ্তুদি য়াওদ্রে হায়বা য়ারে। জিরিবামদা ফজনা চা পান্থী থারম্বদু ঙসিদি মথৌ তৌখিদ্রে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চা পান্থী থাদুনা চাগী ফার্ম তৌবনি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা প্লান্টেসন ক্রোপস কোর্পোরেসন হায়বা অমা টি সাইন্সকী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া য়াওনা লিংখৎতুনা থবক হৌখিবনি। জিরিবামগী চা পান্থী থারিবা মফম অদু একর ফনা য়াম্না চাউবনি। চা পান্থী থাবগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা মফমদু চা পান্থী থাবদা চুনরবা মফমনি হায়না খনখিবনি। চা পান্থী থারে। মনা হেকপা য়ারবা মতমদা হেক্লে। চা মনাদু ফংহল্লে। চাগী ফেক্টরি তৌবা মপানগী কম্পেনিশিংদা য়োনখি। মতমদুদা লমদমদুগী মীওই কয়া থবক ফংহনখি। চাগী পোত্থোক পুথোক্তুনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোন খরখক্তা ওইরবসু হেনগৎহনবদা মতেং পাংখি। ইন্দষ্ট্রি লিংখৎপগী হৈশিংবগী মগুন হাপকৎলিবনি। ইন্দষ্ট্রি তৌবগী হৈনীংবা লমদমসিগী ফাওহল্লিবনি। গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক ফংনবা কোয়তান-তান্নবগী মওং চাদবা ফীভমদু খরখক্তং ওইরবসু হন্থগনি নীংই। তোলোপ চাবা থবক তান্নবদগী অচৌবা শেনফম কয়া তিংবগী ফীভমদুসু খরদি ফগনি নীংই। পোৎথোক পুথোকপা হায়বসিদা করিগুম্বা মখলগী অমাঙবা থবক অমত্তা লৈতে। অদুবু করি খুদোংচাদবা লৈরবনো খঙদ্রে গভর্ণমেন্টকী চা ফেক্টরিদুগী মৱা-মপাউ অমত্তা তাখিদ্রে। মুৎখ্রবা হায়বদুরা খঙদে। মমল য়ামখ্রবা চা পান্থীশিংদুসু য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী কংদুনা মাঙখ্রবরা নৎত্রগা য়োংচাক পান্থীমুক, হৈনৌ পান্থীমুক ৱাংনা হৌদুনা লৈবরা খঙদ্রে। অমবু ওইরে অমবু ওইরে টি গার্দেনদুদি উমং ওল্লম্মনি। চাগী মেছিন ময়াম, য়ূম, ওফিসতুসু কাঞ্জ থাঙ তাদুনা লৈরম্মনি। লোনয়মক মাঙলে হায়বদু তারে।

চাগী ফেক্টরিদু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মথৌ তৌহনবা ঙমদ্রবদি চুনবা রুল অমা শেম্লগা লন্নাই কম্পেনি/মীওই অমদা/মীওইশিংদা শিন্নবসু য়াবজাৎনি। য়ানচে অমা ইনরগা লোইরে। পোৎথোক পুথোকপা ফেক্টরি/কম্পেনিদি গভর্ণমেন্টনা তৌবদা মায় পাকপা ঙমদ্রে হায়বসি লোইনা উরে। মরম অদুনা জিরিবামগী চাগী ফেক্টরি অসি গভর্ণমেন্টনা অমুক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনদবা মাল্লি। গভর্ণমেন্টনা থবক লোইনমক তৌগদবনি হায়বসু লৈতে। করিগুম্বা তৌনবা হোৎনরবসু ঙমসু-ঙম্লোই। অমরোমদা ইন্দিয়াগী টি গার্দেনশিং অসি মশা-মশাগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা তৌবা অমত্তসু য়াওদে। লন্নাই কম্পেনিশিংনা তৌবা ঙাক্তনি। অদুনবু থবক অদু মায়পুননা তৌবা ঙম্বনি। চাগী পোৎথোক য়াম্না পুথোক্লে, কম্পেনি অদুসু হিংবা ঙম্লে অদুগা গভর্ণমেন্টতসু টেক্স কাবা ঙম্লে। লন্নাই কম্পেনিনা তৌবা ওইজরবসু তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈবা মীওই কয়া শেন্থোক লৈবা থবক পীবা ঙমই। মদুখক্তসু নত্তে লমদম অদুদা পুথোকপা চাগী পোত্থোক্তু লৈরগা চা থকপা ফংগনি। লেবরগী থাক্তা চা মনা হেক্লবা শিন্মীশিং, পোৎ পুথোক পুশিন তৌনবা ত্রান্সপোর্টকী মীওইশিংদসু শেন্থোক লৈহনগনি। অসুম পৎতুনা মাঙদুনা লৈগদবগী শরুক লন্নাই কম্পেনি অমদা শিন্নখিনবা চুনবা থবক লৌখৎপা চুম্লে। চীফ মিনিষ্টর অমদি এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মীৎয়েং শানবা মীওই ওইরবদি অসিগুম্বা থবক কয়া লৌখৎলমগদবনি। অতৈ ষ্টেটকী গভর্ণমেন্টশিংনা তৌনদবসু নত্তে। মীৎয়েং পাকথোক চাউথোকপগী হায়বা তারবদি জিরিবামগী ৱাখক্তসু নত্তনা মণিপুরগী চীংগী লম অতৈদসু চা পান্থী থানবা থবক কম্পনিশিংগীদমক্তা ষ্টেট পোলিসি ওইনা শেম্বীবা য়ারে। চীংগী লৈহাও লৈরবা পোৎ চৈ থাবদা য়াম্না কান্নরগদবা চীংগী নাপোম, চীংচেপ, চীংদোং কয়াদা মীওইবদা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা পোপি পান্থী কয়া থারি। লোনা য়াদবা পোৎতু থাবদা ফজরবা মফমদু শীজিন্নখ্রে। পোপি পান্থীশিংদু য়াম্থৎপদা মণিপুর পুলিসকী মীওইশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। গভর্ণমেন্টনদি হায়রি পোপি পান্থী থারিবা মীওইশিং অদুদা শেন্থোক লৈবা অতোপ্পা শিনফম অমা পীবা য়াব্রা হায়বা খন্নরি তোয়না হায়বনিনা মখোয়দা চা পান্থী থারো হায়বা য়ারে। পোপি পান্থী থাবা মফম খুদিংমক চা পান্থী থাবা য়াদবসু য়াই। অদুম ওইনমক প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী খূখাংদা উবা ফংবদদি য়াম্না মফম চাবা চা পান্থী থাবদা মওং তাগদবা কয়া য়াওরি। চীংমীশিংসু খুলগী নিংথৌগা ৱা তানরগা চা পান্থী থানবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারে। চীংগী শেল-থুম পায়বা মীওইশিংসু চা পান্থী থাবদা মায় ওনশিল্লবদি অচৌবা কম্পেনি কয়াগী মপু ওইবা ঙমগনি। চীংগী লৈহাও লৈরবা কম্পেনি/ফেক্টরি কয়া তৌবা য়ারবা মফম কয়া অরেম্বদা কাঞ্জ থাঙ ওইনা তাদুনা লৈরে। পোত্থোক কয়া পুথোক্তুনা মণিপুর অসি থবক শূফম লৈবা, শেন্থোক লৈবা, পোৎ হোঙনা ফংবা নুংঙাইবা লম অমা ওইগদবদু হৈ-শিংবা মী ওইদবদগী চাওখৎপা ঙমদে, খূৎশেমগী মীপাল তাংলে।

পোপি পান্থী থাবদা চৈরাক ফংগনি খঙনা-খঙনা থারিবদুনা তাকপদি শেন্থোক লৈবা থবক ফংদ্রে, শূফম-নোম্ফম লৈত্রে, থবক শূনীংলবসু শূফম লৈত্রে, হিংনবা তৌনীংদা-তৌনীংদা পোপি পান্থী থারকপনি হায়না গভর্ণমেন্টনা লৌজবা য়ারে। অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা য়ারে, গভর্ণমেন্ট মশানা মশাগী মীয়াম্বু থবক পীবা ঙমদ্রে। তোলোপ চাবা থবক নত্তবা অতৈ শেন্থোক লৈবা থবক পীবা ঙমদ্রবা গভর্ণমেন্ট অদুদি মতিক চাদবা মীহুৎনা লৈঙাকপা হায়বদু ওইরে। লমদমদু ৱাথোক্লা থনবা, কোক চিকপা হায়বদু ওইরগদবনি। মসিগী ফীভম অসিদি চহী ৪০/৫০গী মমাঙদগী অদুম ওইদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মণিপুরদা লৈঙাকপা গভর্ণমেন্টশিংনা অসুম্না খল্লগা লৈ মদুদি পোত্থোক পুথোকপদি লন্নাই মীওই শেল পায়বা, লম চাউনা লৈজবা, শেল পায়নীংবা মীওইশিংনা মশানা-মশাবু থবক পীজবগী মওংদা তৌগদবনি, গভর্ণমেন্টনা অদুগী মওংদু তৌগদবা নত্তে হায়বসিনি। মসিদি নোক্লিংবা ৱানি। পোত্থোক কয়া পুথোক্লবা থৌশিল/থৌরাং/থৌরম কয়াগী লম্বীদি গভর্ণমেন্টনা য়াৎকদবনি অদগা থবক্তি লন্নাই অপাম্বা মীওইনা তৌজগদবনি। মদুগীদমক্তা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া হাংদোক্তুনা খঙ-হৈরবা মীওই কয়া চাউরবা তোলোপ পীদুনা থল্লিবনি। পোত্থোক পুথোকপা ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টশিংনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংবা থৌশিল কয়া পুথোক্লিবনি। গভর্ণমেন্টকী থৌশিল য়াওদনা লমদম অমদা পোত্থোক পুথোকপা ৱাগনি অদুগা থবক পীবসু ঙম্লোই।

মৈহৌরোলদগী চা পান্থীসি মালেমদা লৈরম্লে। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৫০গী মমাঙদা চাইনাদা চা পান্থী থেংনরকখি। মতমদুদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী। মতুংদা হীদাক নত্তবা ওইনা চা ওইনা থক্লরম্মী। মতমগী মতুংইন্না চাইনাদগী মালেমগী মফম কয়াদা চা পান্থী পুখিদুনা থাবা হৌখি। য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা পর্টুগিজশিংনা চা শন্দোকখি। মদু থক্লবখক্কী নত্তে, চাগী পোত্থোক পুথোক্তুনা য়োল্লগা শেন্থোক লৈনবনি। বৃটিশনা চাইনাদগী চা পান্থী পুরক্তুনা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা থাখি। চা থক্লবগী নত্তে, ইন্দিয়াদা চা পান্থী থারগা মদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াদা য়োল্লগা শেন্দোং লৌখি। বৃটিশ নুংঙাইখি ইংলেন্দগী মহারানি শেল পায়খি, সুপর পৱার ওইখি। অসামদা ইহান হান্না চা পান্থী থাখি। অদুগা অতৈদা শন্দোকখি। চাইনা অঙ্গংবা লমনি, চা পান্থী ফজনা হৌই। দার্জেলিং, সিক্কিম অঙ্গংবা লমনি চা পান্থী ফজনা হৌরি। অসাম অশাবা লম ওইরবসু চা পান্থী হৌই, মগুন য়াম্না লৈ। অদুনা মণিপুরগী অঙ্গংবা চীংগী লম উখ্রুল, মাও, সেনাপতি, তমেংলোংদা চা পান্থী থাবদা মায় পাক্কনি। অশাবা লম জিরিবাম, মোরে, চুড়াচান্দপুর অমদি তম্পাক্কী লমদসু চা পান্থী থাবদা মায় পাক্কনি। চীং অমদি তম্পাক্কা শম্নবা লোইরোই-লোইরোই ঙম্বা শীজিন্নদনা লমলেম ওইনা লৈরবা মফমদসু চা পান্থী থানবা লমদমসিগী কম্পেনি কয়া ৱা তানবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হৌবা থেংমল্লে। অৱাবসু লৈরোইদবা অদুগা মীয়ামদা কান্নগদবা থবক্তি পন্থদনা তৌবা চুম্মী। ●

লৈঙাক্কা মীয়ামগা নক্লনা চৎপা উদ্রিবসি করিগীনো?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুর লৈঙাক্কী ফীভম হোংনীংবা হোংজরকসনু, মণিপুরগী মীয়ামদি মীৎকুপ খুদিংমক্কী চেকশিনহৌবা মথৌ তাই । লৈঙাক্লা অমনি, মণিপুরগী মীচম-মীয়াম্না অমনি। মণিপুর লৈঙাক্তি কায়খিবসু য়াই, করিগুম্বা কান্দসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা পি আর থম্লকপা য়াই। মমাঙদসু লমদমসিদা পি আর কয়ারক হন্না থম্লকখ্রে। ঐখোয় শিবা-ফাওবদি খক শিখিদে। অমরোমদা, মণিপুরগী শিংবা ৱাৎলমখিগদবা মীচম-মীয়ামসিনা, মণিপুরদা পি আর থমখি হায়বা ফাওবা খঙনহৌদবা, কাউথোক্লখিবসু য়াওরি। হৌজিকসুনি, নোং-ফুঙ ঙানবগা ফমুংদগী হেক চোংথবগা চীং নৎত্রগা লৌবুক তম্না মশাগী শিন্থা পাঙলুনবগীদমক, মাঙজিন থানা চৎলিবা মণিপুরগী শিন্মী কাঙবুদুনা কৈদৌঙৈদা খক বন্দ, ব্লোকেদনচিংবগী নুংশাথীবশিং খঙলম্লোই অমসুং লমদমসিদা পি আর থম্লে হায়বগী শোন্থাংনবা ৱাখলশিংসু মশাদা খক ফাওরম্লোই। থৌদৌসিনা তাক্লিবসি, লমদমসিগী মীচম-মীয়ামসিগা লৈঙাক্লা কৈদৌঙৈদা খক নকশিন্নদ্রে অমসুং ইরমদমসিগী লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংগা কৈদৌঙৈদসু খক পূন্না অমসুং তোরোৎ খাদানাা লোয়নমীন্নদ্রে হায়বসি তাকপনি। লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা মীচম-মীয়ামশিংগী থোকপা, তোখায়ননা লৈবা লৈবাকনি। অদুম ওইনমক, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফম নত্তনা, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং মণিপুরদা থোকপা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংগী ওইবা থৌদোক-থোকশিংদদি কৈদৌঙৈদসু খক শরুক য়াদনা তোক্তে। হায়নীংলিবসি, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামসিগা মণিপুরগী লৈঙাক্লা মতম চূপ্পগী ওইনা পূন্না, নকশিন্ননা চৎমিন্নবগী মওং ইউ-উদে হায়বসিনি। মসি করিদগীনো হায়বদু অমুক্তং য়েংথোকমীন্নদ্রবদি, ঐখোয় ঙসিগী মালেমসিদা ইতোমতা লেপচবা ঙম্বা অমসুং মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা ইকায়খুম্নবা উৎপীবা য়াবা, মতিক চাবা ফুরুপ অমা হায়বদু খক ওইখিরোইদৌরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামগসি ইলেক্সন হেক লোইশিনখিবা মতুংদগীদি অসুক্কী মতিক থাপতোক্লে। থৌদৌসিদা হংবা য়ারিবা ৱাহংসি, মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংগী ৱাখল্লোন্দা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামসি ভোটকীদমক লৈবগুম্না উবজাৎলা? ইলেক্সন হায়বসিমা লৈরমদ্রগদি মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং কমদৌরি কা হায়বসি ইলেক্টেদ মেম্বর অমা ওইনা খক হংবা চৎনদবা মাল্লি। চহী ৫/৫ খুদিংগী, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইবশিংসি ইলেক্সনগী মতম য়ৌরকত্রিবা ফাওবা খক হকথেংননা উনবা ফংনদে। চীংগী লমশিংদদি ইলেক্সন য়ৌরবা ফাওবদা মখোয়গী এ সীগী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরিবা মীশক্তু অমুক্তা ফাওবা মশক উজগে ফংহৌদনা ভোট লোইশিনখি হায়নবা মফমশিং য়াওরি। পূম্নমকসি ফীভম্না ওইহল্লকপসু ওইরম্বা য়াই। অদুম ওইনমক, ওইহল্লক্লম্লোই হায়রবসু এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদুগী খূত্তা অদুম্মক লৈহল্লম্বসু য়ারম্বা জাৎ ঙাক্তনি। লৈবাক মীয়াম্বু শুপ্পগী ইলেক্সন ময়া য়ৌরকপ-খক নত্তনা, শাংলবা চহী মঙাগী মতমদা মথৌ তাদে হায়দুনা নীংশিংলুদবা হায়বসি, মীয়াম্নসু মহাকপু শোয়দনমক্কী কাউথোক্লমগনি হায়বদু এম এল এ/মিনিষ্টরশিং মশামকশিংদুনসু খন্থফম থোকপনি। লমদমসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদি অসিগুম্বশিংসিগী অৱাবা ৱাখল্লোনশিংদু অমত্তা ফাওনখিদ্রে। থৌদৌশিংসিগী মতাংদা ৱারম কয়ামরুম লৈগনি। মতমসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা ইলেক্সন হেক লোইবগা মীয়ামগা নক্লবগী থবকশিং লোইরে খল্লি। মখোয় মশামক্লা, ইলেক্টেদ মেম্বরশিং ওইবা হায়বসি মীয়ামগা পূন্না তোৎন-তিন্নদুনা মীয়ামগী ওইবা থবকশিং খক্তমক পাঙথোকমিন্নদুনা অমসুং পাঙথোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নদুনা লেনগদবনি হায়বসি লোইনা কাউথোক্লে। মতমসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী মনাক নকপা, এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী অচানবা মনাইশিংনসু লমদমসিগী অয়াম্বা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংবু লৈবাক্কী মীচম-মীয়ামশিংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদা থওইহন্দনবা হোৎনৈ। মখোয়না মখোয় খক্তনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদুবু নক্লনা অমসুং তোৎন-তিন্ননা লৈমিন্নবা পামই। মখোয়গী ৱাখল্লোনশিংবু নাথৈখিগদবা, মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদা থৱায় য়াওখিগদবা থৌদৌশিং, মখোয়না কৈদৌঙৈদা খক তৌহন্নীংদে, মরন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদা মরন্নাইগী ওইবা খুদোংচাবশিং লৌনবগীদমক, মখোয়না লৈবাক্কী মীচম-মীয়ামশিংগী ওইবা থবকশিংদা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংবু কোক থাদহনবা পামখিদে। ফীভমশিংসিনা মণিপুরগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিং অমদি লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবশিং খুদিংমক্না মতম পূম্বগী ওইনা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংবু মীরায়বগী থৌদৌশিং হেক হেক, তোয়না-তোয়না উখোক্লককই। থৌদৌশিংসি ঙাইহাক লৈতনা, হঞ্জিন-হঞ্জিন উনরক্লবা লৈবাক্কী মীচম-মীয়ামশিংনা লমদমসিগী ইলেক্সন্দা মায় পাকখ্রবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংবুসু থওইনা অমসুং লূম্না লৌনীংলক্তবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনরককই। ৱাফমশিংসি তরায়না লৌবদি চুম্লোই। মণিপুরগী হৌজিক চৎনরিবা ইলেক্টেদ মেম্বরশিংগী এটিচ্যুদশিংসি খুদক্তগী হৌনা হোংদোকহন্নবা হোৎনবা চঙই।

মণিপুরগী মীয়াম অমদি লৈঙাক, নকশিন্ননা চৎমিন্নবা উদ্রিবগী অতৈ অতোপ্পা মরমশিং কয়ামুকসু লৈ। ইলেক্সনগী মতমদা ভোট্টরশিং ওইরিবা মণিপুরগী মীয়াম্না শেল লৌরগা ভোট থাদবা অমদি লমদমসিদা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেট ওইরিবা মীওইশিংনসু মণিপুরগী ভোট্টরশিংবু শেল পীরগা ভোট লৈবা য়াবা মীওইশিং ঙাক্তা ওইনা লৌবগী থৌদৌশিংসিনা মথক্তা পনখ্রিবা মরম ময়ামসিগী মনুংদা অমা ওইরকহল্লি। ইলেক্সনগী মতমদা শেল লৌরগা অমদি শেল য়েল্লগা ভোট থাদনখিবগী থৌদৌশিংনা, শেল য়েন্থোক-য়েনশিন অমদি লৌথোক-লৌশিনগী থবকশিং হেক লোইখিবগা ভোট থাদনরিবা মীয়ামশিং অমদি ইলেক্সন লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিং, মায়কৈ অনীমক্কী ওইনা লৈনরম্বা মরীশিংদু খুদক্তুদগী হৌনা থাপতোক্লরকপগুম তৌই। অমুক্কসু, অতোপ্পা মরম অমনা, ঙসিমক মণিপুরগী লৈমায়দা মরা তানা, চেৎনা খোঙদাখ্রবা 'করপসন' গী থৌদৌসিনসু মণিপুরগী ওইনা লৈজদবা লায়রবা, শেল পায়জদবা মীচম-মীয়ামশিংনা লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংবু খোয়শাওনবগুম, মনাক নক্লিংদবা অমদি থওই-নাওই তৌনীংলক্তবগী থৌদৌশিং উৎলকপা হৌরকই। ফীভমসি শুপ্পগী মীচম-মীয়ামশিংদুগী মায়কৈদা খক্তা নত্তে, মীয়ামগী লুচিংবা ওইরিবা লৈঙাকপশিংদুগী মায়কৈদগীসু, লায়রবা মীওইশিংদুবু উরুবগা অমসুং নক্লরুবগা মপূক্লিংদা নক্লনীংলক্তবা অমদি হঙ্গৌইবগী থৌদৌশিং তক্তনা ফাওরক্লিবনি। ফীভমশিংসিনা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং অমদি লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং মতৌ করম্না লম্বী অমত্তদা পূন্না মতম শাংনা চৎমিন্নবা ওইথোক্লগনি? শেল চানীংবা মীওইশিংনা শেল চাবা য়ারোইদৌবা, পুথোকপসু ঙম্লোইদৌবা মীওইশিংবু উরগা মপূক্লিংদা খোয়রাং-খোয়শাওনবা অমদি হুমাং শৌরকপগী থৌদৌশিং তক্তনা থোক্লকপা হায়বসিসু মহৌশানি। হীরম পূম্নমকসিনা মণিপুরদদি লৈবাক্কী মীচম-মীয়ামশিং ওইরিবা কাঙবুশিংগা লৈঙাক্কী অচৌ-অশাংশিং অমদি লৈঙাকপশিংসিগা মতম পূম্নমক্তা খক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা হায়বদু ওইথোক্তে। পূম্নমকসিগী মনুংদা ইশানা ইশাগী খোঙদা, ইশাগী খূৎমক্না পায়রিবা শীংজঙমক্লা য়ানশিঞ্জবগুম, মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয়নসু ঐখোয়গী লৈঙাক্কী লুচিংবশিংবু কৈদৌঙৈদা খক করপসন তৌবগী থৌদৌসি হৌবীরোইদবনি। হীরমসিদা মণিপুরগী মীয়াম ওইরিবা মীচম-মীয়াম ঐখোয়গীসু অচৌবা ইরালশিং লৈতবা নত্তে। শুপ্পগী চাক চগ্রীং অমখল্লা অচৌবা চেঙকোক অমা মাংথোকপগী থৌদৌদু অফবা থৌদৌ নত্তে হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙমিন্নফম থোকই। খঙনা-খঙনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা সোসাইটিসিগী ওইবা অপূনবা ৱাখল খনবা ঙমদবা মীওইশিং খরনা ঐখোয় পূম্নমকপু পূন্না চেন্থমিন্নরিবনি। মীয়াম্নবু ৱাখল মান্নরবদি এম এল এ অমত্তবু অনীরক শুনা কাহন্দবসু ঙম্লিবনি। অমুক কাখিবা এম এল এদুনা মীয়ামগা নক্লনা অমসুং তোরোৎ-খাদননা চৎপা হেক ঙম্লক্তবদা মথংদা মাবু হেক্তমক মায়থীবা পীদুনা মফম্লাংদগী চিংথবসু ঙমগদবনি। অদুবু, হৌজিক চৎনরিবা পূম্নমকসিদি অরেম্বনি। মণিপুরগী মীচম-মীয়ামগা মণিপুরগী লৈঙাক্লা তোৎন-তিন্নবা য়ানবগীদমক অমসুং লৈঙাক অমদি মীয়াম খুশম্নমা চৎমিন্নদুনা ইরমদমসি চাওখৎহনহৌবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয় ৱাখল তামিন্নসি হায়বসি য়াফম থোক্তবরা?

মথক্তা পঙ্গখ্রিবা ৱাফমশিংসি চুমথোকমীন্নরগা চৎমিন্নবা হেক ঙমদ্রিবা মখৈ, ইরৈবাক-ইরমদমসিগী লৈঙাক অমদি মীচম-মীয়ামশিং পূন্না, পূক্নিং লৈতানা তুংগীদমক চাওখৎ-খোঙথাংশিংদা খোঙ থাংজিনমিন্নবা হায়বদুদি খক ওইথোক্লোই। পাউজেঞ্জরিবমকসুনি, হায়দোকপদদি লায়বনি, থবক ওইনা পাঙথোকপদদি লুগনি। থৌদৌসিগীদমক, মতিং লৈবা লমদমসিগী ইচিন-ইনাওশিংনা হৌদোকমিন্ননবা চোংথোকপীরক্লবদি নুংঙাইগনি। কান্নদে, এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইরগা লৈবাক মীয়াম্বু হোইদুনা পূন্না পুবা ঙমদবা হায়বসিমক খ্বাইদগী তোল্লবশিংগী মতৌনি। মতুংদদি এম এল এ অমা ওইবগী মতমসি য়ারবদি খরা তেনশিনহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। তঙাইফদ্রবদি, কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌ'সু হায়সি। মখোয়নবু তৌনীংলবদি, লৈবাক মীয়াম্না পামদ্রবসু পঙতৌদা মতৌই। মখোয়দবু কান্ননি হায়রবদি অমুক হায়নরুবা নংদনা, মখোয় অমনীদংনা মান্নরগা লৈবাক্কী এক্ট অমবুসু হেক্তা এমেন্দে তৌথোকপা ঙম্লিবসিদি?... ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্কা মরী লৈনদে।